Test Booklet No.
परीक्षा पुस्तिका संख्या

This Booklet contains **20** printed pages.
इस पुस्तिका में **20** मुद्रित पृष्ठ हैं ।

# MAK-23-I

**PAPER I / प्रश्न-पत्र I**
**PART IV & V / भाग IV & V**
**Manipuri Language Supplement**
**मनीपुरी भाषा परिशिष्ट**

Test Booklet Code
परीक्षा पुस्तिका कोड

# C

**Do not open this Test Booklet until you are asked to do so.**
**इस परीक्षा पुस्तिका को तब तक न खोलें जब तक कहा न जाए ।**
**Read carefully the Instructions on the Back Cover (Page 19 & 20) of this Test Booklet.**
**इस परीक्षा पुस्तिका के पिछले आवरण (पृष्ठ 19 व 20) पर दिए गए निर्देशों को ध्यान से पढ़ें ।**

**For instructions in Manipuri see Page 2 of this booklet. / मनीपुरी में निर्देशों के लिए इस पुस्तिका का पृष्ठ 2 देखें ।**

## *INSTRUCTIONS FOR CANDIDATES*

1. This booklet is a supplement to the Main Test Booklet for those candidates who wish to answer **EITHER** Part IV (Language I) **OR** Part V (Language II) in **MANIPURI** language, but **NOT BOTH**.
2. Candidates are required to answer Parts I, II, III from the Main Test Booklet and Parts IV and V from the languages chosen by them.
3. Questions on English and Hindi languages for Part IV and Part V have been given in the Main Test Booklet. Language Supplements can be asked for separately.
4. Use **Blue/Black Ball Point Pen only** for writing particulars on this page/marking responses in the Answer Sheet.
5. The CODE for this Language Booklet is **C**. Make sure that the CODE printed on **Side-2** of the Answer Sheet and on your Main Test Booklet is the same as that on this Language Supplement Booklet. In case of discrepancy, the candidate should immediately report the matter to the Invigilator for replacement of the Language Supplement Test Booklet.
6. This Test Booklet has **two** Parts, IV and V consisting of **60** Objective Type Questions, and each carries 1 mark :
   Part IV : Language I – (Manipuri) *(Q. Nos. 91 – 120)*
   Part V : Language II – (Manipuri) *(Q. Nos. 121 – 150)*
7. Part IV contains 30 questions for Language I and Part V contains 30 questions for Language II. In this Test Booklet, only questions pertaining to Manipuri language have been given. **In case the language(s) you have opted for as Language I and/or Language II is a language other than Manipuri, please ask for a Supplement (Language) Test Booklet of C Code that contains questions on that language. The languages being answered must tally with the languages opted for in your Application Form. No change in languages is allowed.**
8. **Candidates are required to attempt questions in Language II (Part V) in a language other than the one chosen as Language I (Part IV) from the list of languages.**
9. Rough work should be done only in the space provided in the Test Booklet for the same.
10. The answers are to be recorded on the OMR Answer Sheet only. Mark your responses carefully. No whitener is allowed for changing answers.

## *परीक्षार्थियों के लिए निर्देश*

1. यह पुस्तिका मुख्य परीक्षा पुस्तिका की एक परिशिष्ट है, उन परीक्षार्थियों के लिए जो **या** तो भाग IV (भाषा I) **या** भाग V (भाषा II) **मनीपुरी** भाषा में देना चाहते हैं, लेकिन **दोनों नहीं** ।
2. परीक्षार्थी भाग I, II, III के उत्तर मुख्य परीक्षा पुस्तिका से दें और भाग IV व V के उत्तर उनके द्वारा चुनी भाषाओं से ।
3. अंग्रेज़ी व हिन्दी भाषा पर प्रश्न मुख्य परीक्षा पुस्तिका में भाग IV व भाग V के अन्तर्गत दिए गए हैं । भाषा परिशिष्टों को आप अलग से माँग सकते हैं ।
4. इस पृष्ठ पर विवरण अंकित करने एवं उत्तर पत्र पर निशान लगाने के लिए **केवल नीले/काले बॉल पॉइंट पेन** का प्रयोग करें ।
5. इस भाषा पुस्तिका का **कोड C** है । यह सुनिश्चित कर लें कि इस भाषा परिशिष्ट पुस्तिका का कोड, उत्तर पत्र के **पृष्ठ-2** एवं मुख्य प्रश्न पुस्तिका पर छपे कोड से मिलता है । अगर यह भिन्न हो तो परीक्षार्थी दूसरी भाषा परिशिष्ट परीक्षा पुस्तिका लेने के लिए निरीक्षक को तुरन्त अवगत कराएँ ।
6. इस परीक्षा पुस्तिका में **दो** भाग IV और V हैं, जिनमें **60** वस्तुनिष्ठ प्रश्न हैं, तथा प्रत्येक 1 अंक का है :
   भाग IV : भाषा I – (मनीपुरी) *(प्रश्न सं. 91 – 120)*
   भाग V : भाषा II – (मनीपुरी) *(प्रश्न सं. 121 – 150)*
7. भाग IV में भाषा I के लिए 30 प्रश्न और भाग V में भाषा II के लिए 30 प्रश्न दिए गए हैं । इस परीक्षा पुस्तिका में केवल मनीपुरी भाषा से सम्बन्धित प्रश्न दिए गए हैं । **यदि भाषा I और/या भाषा II में आपके द्वारा चुनी गई भाषा(एँ) मनीपुरी के अलावा है/हैं, तो कृपया C कोड वाली उस भाषा वाली परिशिष्ट (भाषा) परीक्षा पुस्तिका माँग लीजिए । जिन भाषाओं के प्रश्नों के उत्तर आप दे रहे हैं वह आवेदन पत्र में चुनी गई भाषाओं से अवश्य मेल खानी चाहिए । भाषाओं का परिवर्तन अनुमन्य नहीं है ।**
8. **परीक्षार्थी भाषा II (भाग V) के लिए, भाषा सूची से ऐसी भाषा चुनें जो उनके द्वारा भाषा I (भाग IV) में चुनी गई भाषा से भिन्न हो ।**
9. रफ कार्य परीक्षा पुस्तिका में इस प्रयोजन के लिए दी गई खाली जगह पर ही करें ।
10. सभी उत्तर केवल OMR उत्तर पत्र पर ही अंकित करें । अपने उत्तर ध्यानपूर्वक अंकित करें । उत्तर बदलने हेतु श्वेत रंजक का प्रयोग निषिद्ध है ।

Name of the Candidate (in Capital Letters) : ____________________
परीक्षार्थी का नाम (बड़े अक्षरों में) :

Roll Number (अनुक्रमांक) : in figures (अंकों में) ____________________

: in words (शब्दों में) ____________________

Centre of Examination (in Capital Letters) : ____________________
परीक्षा केन्द्र (बड़े अक्षरों में) :

Candidate's Signature : ____________________ Invigilator's Signature : ____________________
परीक्षार्थी के हस्ताक्षर : निरीक्षक के हस्ताक्षर :

Facsimile signature stamp of Centre Superintendent ____________________

বুক্‌লেট্‌সি অইবা লমায় 20 য়াওই ।

টেস্ট বুক্‌লেট্‌ কোড

**C**

# MAK-23-I

## পেপর I

## ভাগ IV & V

## মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট

**হায়রক্লিফাওবা টেস্ট বুক্‌লেট্‌ অসি হাংদোক্কনু ।**

**বুক্‌লেট্‌সিগী নীতি-নীয়মশিং (instructions) (লমাই 19 & 20) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ ।**

*কেন্দিদেটসিংদা পীবা ইন্সট্রক্সনসিং*

1. বুকলেট্‌সি **মণিপুরী** লেঙ্গুয়েজদা পার্ট IV (লেঙ্গুয়েজ I) **নত্রগা** পার্ট V (লেঙ্গুয়েজ II) দা পরিক্ষা থানিংবা কেন্দিদেটসিংগীদমক ম্যেন টেস্ট বুক্‌লেট্‌তুগী সপ্লিমেন্ট অমনি । অনিমক্তি পুন্না পরিক্ষা থাবা য়ারোই ।
2. কেন্দিদেটসিংনা ম্যেন টেস্ট বুক্‌লেট্‌তগী পার্ট I, II, অমসুং III অসমুং মখোয়না খনবা লেঙ্গুয়েজসিংদগী পার্ট IV অমসুং V কী পাউখুম পীবা দরকার লৈ ।
3. ইংরাজি অমসুং হিন্দী লেঙ্গুয়েজসিংগী পার্ট IV অমসুং পার্ট V ৱাহংসিং ম্যেন টেস্ট বুক্‌লেট্‌তা পীরে । লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্টসিংগীদমক তোঙান্না হংবা য়াই ।
4. লমায়সিদা পার্টিকুলারসিং **ইননবা ব্লু/ব্লেক বোল পোইন্ট পেনখক্তংমক** শীজিন্নৌ ।
5. লেঙ্গুয়েজ বুক্‌লেট্‌সিগী **কোডতি C** নি । আনসর শীতকী **সাইড-2** দা ইরিবা কোডতুগা অমসুং ম্যেন টেস্ট বুক্‌লেট্‌তা ইরিবদুগা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুক্‌লেট্‌কীসিগা চপ মান্নব্রা হায়না য়েংউ । মান্নদবা থোক্লবদি কেন্দিদেটনা খুদক্তা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুক্‌লেট্‌ অদু শীন্দোক্লবা ইনভিজিলেটরদা রিপোর্ট তৌগদবনি ।
6. বুক্‌লেট্‌ অসিগী পার্ট **অনিনি** – IV অমসুং V । মসিদা ৱাহং অমমমদা মার্ক অমা পীবা ৱাহং 60 য়াওই ।
   পার্ট IV : লেঙ্গুয়েজ I – (মণিপুরী) *(ৱা : 91 দগী ৱা : 120)*
   পার্ট V : লেঙ্গুয়েজ II – (মণিপুরী) *(ৱা : 121 দগী ৱা : 150)*
7. পার্ট IV লেঙ্গুয়েজ I গী ৱাহং 30 য়াওই অমসুং পার্ট V লেঙ্গুয়েজ II গী ৱাহং 30 য়াওই । বুক্‌লেট্‌ অসিদা মণিপুরী লেঙ্গুয়েজদংগা মরিলৈনবা ৱাহং হংই । **নহাক্লা নঙগী লেঙ্গুয়েজ I অমসুং নত্রগা II ওইনা খনবা লেঙ্গুয়েজসিংদু মণিপুরী নত্রবদি লেঙ্গুয়েজদুদা ৱাহং হংবা C কোদ কী সপ্লিমেন্ট (লেঙ্গুয়েজ) টেস্টবুক্‌লেট্‌ অমা পীনবা হায়বীয়ু । পাউখুম পীরিবা লেঙ্গুয়েজসিংদু নহাক্কী এপ্লিকেশন ফোর্মদা ইখিবা লেঙ্গুয়েজসিংগা মান্নগদবনি । লোনশিং (লেঙ্গুয়েজ) হোংবগী অয়াবা পীদে ।**
8. **কেন্দিদেটসিংনা লেঙ্গুয়েজসিংগী লিষ্টতগী লেঙ্গুয়েজ I (পার্ট IV) ওইনা খনখিবদু নত্তবা অতোপ্পা লেঙ্গুয়েজ অমদা লেঙ্গুয়েজ II (পার্ট V) দা য়াওরিবা ৱাহংসিংগী পাউখুম পীবা দরকার লৈ ।**
9. টেস্ট বুক্‌লেট্‌তা পীরিবা মফমদুতদা রফ ৱর্ক তৌগদবনি ।
10. পউখুমসিংদু OMR পাউখুম চেদা ইগদবনি । নঙগী পাউখুসিংদু চেকসিন্না মার্ক তৌ । পাউখুমসিং হোংনবা মুক অঙৌবা শীজিন্নবা য়াদে ।

কেন্দিদেটকী মীং (অচৌবা ময়েকতা) : ______________________

রোল নম্বর : অঙ্ক ময়েক্তা ______________________

: ৱাহৈদা ______________________

পরীক্ষাগী সেন্টর : ______________________

কেন্দিদেটকী সিগনেচর : ______________ ইনভিজিলেটরগী সিগনেচর : ______________

Facsimile signature stamp of
Centre Superintendent ______________________

Candidates should answer questions from the following Part only if they have opted for **MANIPURI** as **LANGUAGE – I**.

# PART IV
# LANGUAGE I
# MANIPURI

***মখাদা পীরিবা ৱারেং :*** *অসি মুন্না পারগা মখাদা হংলিবা ৱাহংশিং (ৱাহং 91 – 99)) অসিগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু।*

মণিপুরদা লৈবা, পোকপা অমদি মণিপুরগী ৱাংমদা খুন্দাদুনা লৈখিবা মণিপুরীশিংনা অদুগা থোইদোক্লা মণিপুরগী চীংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী মীনা মখোয় মশেন অমগা অমগা ৱা ঙাংনবদা শিজিন্নবা মণিপুরী লোন্দি মৈতৈলোন্নি। মরম অদুনা মৈতে লোনবু য়েৎনবা লৈতনা মনিপুরী লোন (Manipuri language) হায়না খংনৈ । ঐখোয়না নিংশিংবদা লাম্বা ফংদ্রবা মতমদগী হৌনা মৈতৈরোন্না লৈবাক অসিগী রাজ ভাষা Court language ওইরকলিবনি । খৃষ্টগী তরামাপলশুবা শতাব্দীদা ভারতবর্ষদা পানবা বৃটিশ সরকারগা মণিপুরগী নিংথৌশিংগা মরুপ ওইনদুনা লৈবাক অনী অসি মিত্ররাজ্য ওইনা লৈমিন্নরম্মী। মতম অদুদা কলিকতাদা বৃটিশ ইন্দিয়াগী (ভারতকী) কোনুং ওইরম্মী অদুগা ইম্ফাল অসিনা মণিপুর সনা লৈবাক্কী কোনুংনি । মণিপুরগী কোনুং ইম্ফালদা বৃটিশকী পোলিতিকেল এজেন্ট অমা লৈ অদুগা মনিপুর মহারাজগী ফম্নাইবা অচৌবা (মেঙ্গোরগুম্বা) অমা মতম অদুগী ভারতকী কোনুং কলিকতাদা মনিপুরগী এজেন্ত ওইনা লৈ । মণিপুরগা হেক তাইনবদা লৈবা বৃটিশনা লৌশিল্লবা লম কাছাড়গী লখীপুর কৌবা মফমদসু মণিপুরগী এজেন্ত অমা থম্মী । মণিপুরগী মহারাজগী অথু অকাইগী পাউ অয়াম্বা মনিপুরগী মপান্দা লৈবা এজেন্ট অনী অসিগা চৎনৈ হায়বসি খৃষ্টাব্দ 1886 মে থাদা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ কে. সি. এস. আই. নোংগারবদা বৃটিশকা মণিপুরগা চৎনবা পাউদগীসু খঙই ।

**91.** মণিপুরগী চিংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী মীনা মখোয় মশেল ৱা ঙাংনবদা শিজিন্নবা লোলদি –

(1) বাংলা লোলনি ।

(2) মৈতৈলোলনি ।

(3) হিন্দী লোলনি ।

(4) ইংরেজী লোলনি ।

**92.** ঐখোয়না নিংশিংবদা লাম্বা ফংদবদগী হৌনা মৈতৈরোন্দা রাজ ভাষা ওইনা শিজিন্নরম্বগী মরমদি –

(1) লমদমসিদা খুন্দারিবা মীওইশিংনা ঙাংনরম্বগীনি ।

(2) য়াইতোং খমদোংবশিংনা ঙাংনবদগীনি ।

(3) মপাল লমগী মীওইশিংনা ঙাংনবদগীনি ।

(4) মৈতৈ কাংলুপ্পা ঙাংলম্বগীনি ।

**93.** নিংথৌগা মরুপ ওইনদুনা লৈবক অনিগী মিত্ররাজ ওইনখিবসি –

(1) বেঙ্গলিশিংগনি ।

(2) চীংমীশিংগনি ।

(3) মুসলিমশিংগনি ।

(4) ইংগ্রেজশিংগনি ।

**94.** ইম্ফালদা বৃটিশকী পোলিতিকেল এজেন্ট লৈ, মণিপুরগীনা –

(1) ইংলেন্দা লৈ ।

(2) কলিকাতাদা লৈ ।

(3) শিলংদা লৈ।

(4) দিল্লিদা লৈ ।

**95.** বৃটিশকী মখা পোনবা লম কছারগী লখীপুরদসু এজেন্ত অমা থম্মী, মদু –

(1) বেঙ্গলগীনি ।

(2) ইংরেজগীনি ।

(3) মনিপুরগীনি ।

(4) দেল্লিগীনি ।

**96.** মণিপুরগী অথু অকায়গী পাউ ফাওননবা এজেন্ত –

(1) অনি লৈ ।

(2) অহুম লৈ ।

(3) মরি লৈ ।

(4) অমা লৈ ।

**97.** ইংরেজনা কে.সি.এস.আই. মিংথোল অসি পীরম্বা নিংথৌদি –

(1) মহারাজ ভগ্যচন্দ্রনি ।

(2) মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিনি ।

(3) মহারাজ চুরাচান্দনি ।

(4) মহারাজ গম্ভির সিংহনি ।

**98.** ইম্ফালদা মণিপুরগী কোনুং ওইবা মতমদা বৃটিশ ইন্দিয়াগী কোনুং ওইরম্বসি –

(1) দিল্লিনি ।

(2) শিলংনি ।

(3) ইংলেন্দনি।

(4) কলিকতানি ।

**99.** মণিপুরগী মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিনা লৈখিদবসি –

(1) ইং ১৮৮৭ নি ।

(2) ইং ১৮৮৮ নি ।

(3) ইং ১৮৮৯ নি ।

(4) ইং ১৮৮৬ নি ।

***মখাদা পীরিবা শৈরেং :*** *অসি মুন্না পারগা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিংগী (ৱাহং 100 – 105) চান্নবা পাউখুম পীয়ু ।*

হে ফজথোইবা হে নুংশিথোইবা
নঙোন্দগী নত্রনে পুম্নমক অসে
পুন্সিগী ৱাখল, পুন্সিগী আশা
পামজবনা য়াম, নুংশিবনা হেন
পাঙথোকপদি ঙমজদা, হিংলিদো অমম্বদা ।
থৌজালদুতা নিজরি, নয়াথংতা ইন'ঙম্বা
লৈনম চেনবা লৈরাংগী লৈয়োন্নুংদা লোৎলম্বা
লৈহীনা অমৃত ওইনবু, তাইবঙদা কান্নবা পীরম্বা
লোইনাইদ্রবা চার কয়ানা, মালেম শিন্না
শন্দোকপা নহাক্লা, পাউখোং ওইনা উৎপীরি ।

**100.** হে ফজথোইবা হে নুংশিথোইবা হায়না কবিনা মীংগৌরিবসি কনাদনো ?

(1) ইমা ইপাদনি ।

(2) তাইবঙ পুন্সিদনি ।

(3) ইশাদনি ।

(4) তাইবঙ মপুদনি ।

**101.** কবিনা পুন্সিগী নিংজবা আশা ৰাখল পুন্নমক পাঙথোকপা ঙমদনা কদাইদা হিংলি হায়বগে ?

(1) অঙানবদনি ।

(2) অমম্বদনি ।

(3) য়াকায়বুংদনি ।

(4) তাইবঙ ইরোন্নুংদনি ।

**102.** লৈনম চেনবা লৈরাংগী লৈয়োন্নুংদা লোৎলম্বা লৈহিনা অমৃত্ত ওইসনু, তাইবঙদা কান্নবা পীরম্মু শৈরেংগী পরেং অনিসিদা 'ল' না হৌবা ৱাহৈ কয়া য়াওবগে ?

(1) মরি য়াওই ।

(2) অহুম য়াওই ।

(3) অনী য়াওই ।

(4) মঙা য়াওই ।

**103.** শৈরেং মপুম অসিনা ফোংদোকনিংলিবসি করিনো ?

(1) মতিক চাবা মীওই কয়া পুথোক্না উৎপনি ।

(2) তাইবঙদা কান্নবা পীবা অমৃত কয়া য়েল্লি হায়বনি ।

(3) মঙোন্দগী হেনবা লৈতে হায়বনি ।

(4) শকউদবা মহাক্লা মালেমসিদা পুথোক্না পাউখোং ওইনা উৎলি ।

**104.** 'লোইনাইদ্রবা' ৱাহৈশিগী আর্থদি –

(1) মুৎপা নাইদ্রবা ।

(2) লোইবা খন্বা লৈত্রবা ।

(3) অতিয়া ।

(4) অরোইবা পনখৈ লৈত্রবা ।

**105.** ''থৌজালদুতা নিজরি নয়াথংতা ইনঙম্বা'' শৈরেংসিদা কনানা থৌজাল নিজরিবনো ?

(1) তাইবঙ মপুনা নিজবনি ।

(2) মীওইবনা নিজবনি ।

(3) কনানসু নিদে ।

(4) কবিনা নিজবনি ।

***তৌগদবা মওং তাকপা : মখাগীশিংদগী খ্বাইদগী চান্নবা খল্লগা পাউখুম পীয়ু (106 – 120)***

**106.** অহুমশুবা (III) ক্লাসকী ওঝানা অনৌবা ৱাহৈ মখলশিং তাকপি । মখাগীশিংসিদগী করম্বনা খ্বাইদগী ফবা ৱাহৈ মখল মতম্বীনো ?

(1) ওঝানা অকক্নবা ৱাহৈগী ৱাহন্থোক পীগদবনি ।

(2) ওঝানা ৱাহৈদুনা লৈরিবা মফমদুদা ৱাহন্থোক পীদুনা তাক্কদবনি ।

(3) ওঝানা ব্লেকবোর্দতা ৱাহন্থোক পীরগা চিনফা পুহনগদবনি ।

(4) ওঝানা ওন্ন-তৈনবা ৱাহন্থোক্কী ৱাহৈশিং তম্বীদুনা মখোয়গী মরোন্দা হায়বীগদবনি ।

**107.** লোন অমা তম্বা হায়বসি –

(1) প্রোসেসনি ।

(2) প্রদক্তনি ।

(3) স্কিল্লনি ।

(4) মহৌশানা তম্বনি (acquisition) ।

**108.** ঐনা লোন শিজিন্নবদা অচুম্বা লোন শিজিন্নগনি হায়বসি পুক্নিংদা থম্মী ।

মখাগীশিংসিদগী করম্বনা চান্নবগে ?

(1) হঞ্জিন-হঞ্জিন পাবনি ।

(2) ইশানা চুম্মী-লাল্লী য়েংবনি ।

(3) লোন লানথোক্লগা ঙাংবনি ।

(4) চিনফা পুবনি ।

**109.** অসিগুম্বা ক্লাসকী অঙাংশিংনা ইশৈ অমা শকই – কোক, লেংজুম, খুউ অমসুং খোংশাশিং মখোয়না ইশৈ শকপা মতমদা মপা চান্ননা হায়রিবা হকচাংগী শরুকশিংদু শোকই । ওঝানা করি মেথদ শিজিন্নরগা তম্বীরিবনো ?

(1) কম্যুনিকেতিব লেঙ্গ্যুএজ টীচিং

(2) তোতেল ফিজিকেল রেস্পোঞ্জ

(3) ইক্লেতিক

(4) ওদিও লিঙ্গ্যুএল

**110.**

| | পাবগী মওং | | অপাবনা তৌবশিং |
|---|---|---|---|
| A. | ওইবা য়াবা খন্দোকপা | i. | অইবশিংনা ইবা মতমদা মখোয়দা ফাওবশিংদু পাৰিবা মীশিংনা খংই। |
| B. | হেন্না ওইবা য়াবা ৱাখল | ii. | পাৰিবশিংনা টেক্সকী পার্ত অমা শিজিন্নদুনা খংদবা ৱাহৈশিংদু খংনবা হোৎনৈ। |
| C. | য়াওফমদগী ৱাহন্থোক খংনবা | iii. | পাৰিবশিংনা হেদিং নংত্রগা অহৌবা ফ্রেজ য়েংলগা মচাকশিংসি কৰম হায়না মথং-মনাও থম্মী য়েংই। |
| D. | পাক-শন্না পাবা | iv. | টেক্স মচেৎতুদা লোন কৰম৺া শিজিন্নবগে য়েংই। |
| E. | টেক্স অমগী মথং-মনাও খংদোকপা | v. | মখোয়না টাইতল অমসুং লাইশিং য়েংলগা কৰম্বা টেক্সনো খঙেদাকই। |

মথক্কীশিংসিদগী অপাবনা পাবদা চান্নবদু করম্বনো ?

(1) A-i, B-iv, C-v, D-ii, E-iii

(2) A-ii, B-i, C-iii, D-iv, E-v

(3) A-iv, B-iii, C-ii, D-i, E-v

(4) A-v, B-i, C-ii, D-iv, E-iii

**111.** মমাংগী ইউনিত্তগী মহৈরোইশিংনা পুন্না ৱাহৈ-ৱাতাগী মতাংদা ৱাহং মঙাগী পাউখুম পী । অদুদগী মখোয়না অতোপ্পা গ্রুপ অমগা ৱাহং হংনদুনা পাউখুম পীন্নে ।

মসিগী খুদমসি –

(1) অচুম-অরান য়েংলগা হায়বনি ।

(2) পাবগী এসেস্মেন্টনি ।

(3) মোশন এসেস্মেন্ট তৌবনি ।

(4) ইশাগা এসেস তৌবনি ।

**112.** ওঝানা ক্লাসতা কার্দ অমদা ৱাহৈ অমা নৎত্রগা ফ্রেজ অমা ইরগা ঐহাকনা ক্লাসকী মীশিংনা ৱাহৈ অদু হায়রক্লবা ঐহাক্না ৱাহৈদুগা চান্ননা মতৌ তম্মগা উৎথোকপা অসি ঐহাক য়াম্না পামজে ।

মহৈরোইগী অপাম্বগী মতুংইন্না মখোয়গী অপাম্বসি করম্বনো ?

(1) ঐনা তাবদা লোন্দু নিংশিংই ।

(2) ঐনা কার্দতগী ফ্রেজ অদু চিনফা পুবদা লোন্দু ফজনা নিংশিংই ।

(3) ঐনা ইশাগী লেং-ওৎপা য়াওরবা মতমদা ঐ লোন্দু ফজনা নিংশিংই ।

(4) ঐনা উবদা লোন্দু নিংশিংই ।

**113.** এসরসন (A) : অঙাংমচা স্কুলদা লাক্লিবশিংসি মখোয়গী চহিগা চান্ননা লোন থংই ।

রিজন (R) : লোন অমসুং নাৎকী খেন্নবা লৈবনা মখোয়গী অঙম্বশিংদু উৎথোকপা ঙমদে ।

খ্বাইদগী চান্নবা পাউখুম খল্লু মখাগীশিংসিদগী –

(1) (A) অমসুং (R) অনিমক চুম্মী অদুগা (R) অসি (A) গী অচুম্বা তাকপা নত্তে ।

(2) (A) অসি চুম্মী অদুগা (R) অসি লাল্লি ।

(3) (A) অসি লাল্লি অদুগা (R) অসি চুম্মী ।

(4) (A) অমসুং (R) অনিমক চুম্মী অদুগা (R) অসি (A) গী অচুম্বা তাকপনি ।

**114.** মঙাশুবা ক্লাসতা তম্বা তোম্বনা মহাক্কী ওঝাদা, মরুপশিংদা অমদি চহি-অনিদা শুরিবা অঙাংদা মওং খেৎননা ঙাংই । মসিনা তাক্লিবসি তোম্বনা মফম মতমচানা ৱা ঙাংই হায়বনি ।

মসি লোন খংবগী মওংসিবু করি হায়না খংনবগে ?

(1) ৱাহনথোকনি ।

(2) মফম চানা লোন শিজিন্নবনি ।

(3) ৱা ঙাংবগী মওংনি ।

(4) মহৌশাগী ওইবনি ।

**115.** মমানা মহাক্কী মচানা অতোপ্পশিংনা ঙাংখিদ্রিবা ৱা মরক-মরক্তা ঙাংবা তাই। মসি অঙাংগী মমাসিদা ঙক্লা থোকই মরমদি মহাক্লা খনবসি অঙাংনা লোন তম্বসি ইমুং-মনুংদগী অমদি মহাক্কী অকোইবদগী লোন মতৌ তম্লগা তম্মী হায়বসিনি । মহাক্কী ৱাখল্লোন মান্নরিবসি –

(1) বিহেভিয়রিজমগনি ।

(2) কন্সত্রকতিবিজমগনি ।

(3) মলতিলিঙ্গ্যুএলিজমগনি ।

(4) নেতিভিজমগনি (Nativism) ।

**116.** পাবা হৌদ্রিঙৈদা কোন্না লাইরিক তম্বগী য়ুম্ফম ওইরক্কদবা স্কিল অঙাংশিংদা খংহনগদবশিংদু –

(1) তম্লক্কদবা করিক্কু লম্নি ।

(2) তম্লক্কদবা মচাকশিংনি ।

(3) খুদক্কী-ওইবা ইবা পাবনি ।

(4) খুদক্কী পাম্বৈনি ।

**117.** মবোক্লা লাইহিরক্তগী ৱাৰিশিং মশুশিংদা পারগা অনৌবা ৱাখল্লোনশিং খংহনলি। মসিদা অঙাংশিংসি ফজনা পুক্লিং লুপ্পী। মসিগী টেকনিক অসিবু করি কৌবগে ?

(1) পামীন্নবনি ।

(2) ৱারি শারগা পাবনি ।

(3) লাউনা পাবনি ।

(4) মোদেল রিদিংনি ।

**118.** পাবা তম্বীবগী অহানবদা তম্বীগদবা মপী লাইরিক্কী মচাকশিং - ময়েক অমসুং খোন্থোক তম্বীবদা খোন্থোকশিংনা পুনশিনলগা ৱাহৈ শাগৎলগা পাবগী-ৱাখল্লোনসি –

(1) মখাদগী হৌরগা মথক্তা চৎপা মতম্বীনি ।

(2) অপুনবা লোন তম্বীবগী মওংনি ।

(3) স্ত্রকচরেল এপ্রোচনি ।

(4) মথক্তগী মখাদা চৎপা মতম্বীনি ।

**119.** এসরসন (A) : ফোনেতিক স্পেলিং শিজিন্নবনা স্পেলিং তম্বদা থিন্থহল্লি ।

রিজন (R) : অঙাংশিংনা হান্না চৎনদনা লৈরবা বনান ইবগী মহুত্তা মখোয়না পুথোকচবা বনান ইবনা অচুম্বা বনান ইবদা থিন্থহন্দে ।

মখায়দা পীরিবশিংসিদগী অচুম্বা পাউখুম করম্বনো ?

(1) (A) অমসুং (R) অনিমক চুম্মী অদুবু (R) অসি (A) শুগাইনা তাকপনি ।

(2) (A) অসি চুম্মী অদুগা (R) না লাল্লি ।

(3) (A) অসি লাল্লি অদুগা (R) না চুম্মি ।

(4) (A) অমসুং (R) অনিমক চুম্মী অদুগা (R) না (A) গী অচুম্বা শুগাইনা তাকপনি ।

**120.** লোন অনৌবা অমা তম্বা মতমদা মহৈরোইশিংনা লোন অদুগী তোপ-তোপ্পা ঙাংথোকপগী পথাপ লৈবনা ঙাংবা মতমদা থৌনা ৱাৎলি । মসি লৌথোক্লবা পাম্বৈসি –

(1) শান্নহনলগা ক্লাসরুমদা ৱারি-শান্নহনবনি ।

(2) কাউন্সেলর অমনা তোঙানবা স্পিচ থেরাপী তৌরগা হঞ্জিন-হঞ্জিন ঔরাইহনবনি ।

(3) হেক লানবগা চুমথোকপিবনি ।

(4) অঙাংশিংনা ক্লাসতা লাউনা পাবনি ।

Candidates should answer questions from the following Part only if they have opted for **MANIPURI** as **LANGUAGE – II**.

# PART V
# LANGUAGE II
# MANIPURI

***পীরিবা ৱারেং মতেক :** অসি পারগা মখাদা হংলিবা ৱাহংশিং (ৱাহং 121 – 128) অসিগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু ।*

নোল্লুকপা হায়বা অসি মীওইবগী লমচৎকী লৈতেংগী মশক্নি । থামম্বা অহিংনা মী অপুম্বগী অকিবগী মশক ওইবা অদুগুম্না নোল্লুকপা লৈত্রবা মীওইবগী লমচৎ অদুসু খ্বাইগী পাম্নফম থোক্কে। লাইরিক লাইশু পুন্নমক্তা নোল্লুকপা মীগা মহৈয়োনবা উগা পান্দম্লে । উনা উহৈ য়াল্লগা মরাই লুকপগুম্না মগুন লৈবা মীতনা নোল্লুকপা মরাই হন্থবনি, মহৈ পান্দবা উনা ফনবগুম্না মগুন লৈতবা মীনা চাউথোকপনি । নোল্লুকপনা করি কান্নবগে ? চাউথোকপনা মীগী থম্মোইদা হেক চংবগা মীওইবগী লমচৎকী নিংথিবা পুন্নমক মাংঙি । নোল্লুকপগী অসুম্বা চিংশিন্নবগী পাঙ্গল লৈ-নোল্লুকপা মীবু মীনা নুংশিদবা ঙমদে মহাক্কী অসুম্না শুক্ষ্ৎনবগী পাঙ্গল অমা লৈ নোল্লুকপা মীগী অইংবা মচৎ অদু উরগা ওলাংথাদা চন্দন চাইবা লৈরাংগুম্না মীগী থম্মোই তেকখৎলোই হায়বা ঙমদে। নোল্লুকপা মীনা মহৌশানা তেংবানবগী মীওইনা পানবগী লানফম অসিদা মাইপাকপা ঙম্মি । চাওথোকপা নাপল তৌবা মীনা থৌদোক খুদিংদা নিংবা কাইবা অমসুং ইকাইবা ফংবা অসি মহৌশানি । য়ুমদা লাইরিক তম্ফমশংদা, তেংবানবগী থবক খুদিংদা, মফম পুন্নমক্তা নোল্লুকপনা চাউখৎপা পুন্নমক্কী পাম্বৈগী মশক্নি । নোল্লুকপা ছাত্রশিংগী পুকচেন্দি থোৎলি অমসুং মেংঙি । মরম অদুনা মখোয়না ইরাই লাইনা অহল্লমনগী য়াথং, ওঝাগী পাউতাক পুন্নমক্তা পুক্নিং চংবা অমসুং মদু পুক্নিংদা হাপ্জিনবা ঙম্মি ।

**121.** মীওইবগী লমচৎকী লৈতেংদি –

(1) নোল্লুকপনি ।

(2) মীবু পেলহনবনি ।

(3) মীবু মতেঙ পাঙবনি ।

(4) ফজবা ৱাঙাংনি ।

**122.** মীওইবগী লমচৎতা মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নদবা অসি –

(1) নোল্লুকপা লৈত্রবা ৱাঙাংনি ।

(2) নোল্লুকপা য়াওদ্রবা থৌজালনি ।

(3) নোল্লুকপা য়াওদ্রবা নুংশিবনি ।

(4) নোল্লুকপা লৈত্রবা লমচৎনি ।

**123.** থামম্বা অহিংবু মী পুম্বনা কিনরিবগী মরম করিনো ?

(1) অমম্বনা অকিবা পীবগীনি ।

(2) অমম্বনা পুমকুপ কুপশিনখিবগীনি ।

(3) অমম্বদা ফত্তবা তৌবগীনি ।

(4) অমম্বদা খুদোং থীবগীনি ।

**124.** নোল্লুকপা মীগা চাংদম্নরিবসি –

(1) মপুং ফানা লৈশাৎ তল্লবা উপালগনি ।

(2) মপুং ফানা উহৈ পানবা উপালগনি ।

(3) লেপ্পা লৈতনা চাওখৎলক্লিবা উপালগনি ।

(4) মপুং ফারবা উপালগনি ।

**125.** চাউথোকপা হায়বসি –

(1) মপুং ফানা মহৈ হৈতবা মীতনা চাউথোকই ।

(2) মপুং ফানা মগুন লৈতবা মীতনা চাউথোকই ।

(3) মপুং ফানা মহৈ হৈবা মীতনা চাউথোকই ।

(4) মপুং ফাদবা মীতনা চাউথোকই ।

**126.** লমচৎকী নিংথিবা পুন্নমক মাঙই হায়বসি –

(1) চাউথোকপনা মীওইবগী থম্মোইদা চঙবদগীনি ।

(2) অতনবনা মীওইবগী থম্মোয়দা চঙবদগীনি ।

(3) থম্মোয়দা নুংশিবা পোকত্রবা মতমদগীনি ।

(4) নাপলনা মীওইবগী থম্মোইদা চঙবদগীনি ।

**127.** মীওইবনা পানগী লানফমদা মায় পাকপা ঙম্লিবসি –

(1) শাওগনবা অমদি ইংথবা ঙম্বগীনি ।

(2) মতেং পাংগনবা অমদি অৱাবা খঙগনবা ঙম্বগীনি ।

(3) চাওথোকপা অমদি নাপল কাবা ঙম্বগীনি ।

(4) থাদোকপা অমদি কৎথোকপা ঙম্বগীনি ।

**128.** অফবা হায়বা ইনবা ছাত্রশিংনা –

(1) অহল লমন ওঝাশিংনা হায়বা ইল্লি ।

(2) অহল-লমন অমদি ওঝাশিংগী য়াথং ঙাই ।

(3) অহল-লমন অমদি ওঝাশিংগী পাউতাক পুক্নিংদা হাঞ্জিনবা ঙম্মি ।

(4) অহল লমনগী য়াথং, ওঝাশিংগী পাউতাক লৌই ।

***মখাদা পীরিবা ৱারেং :*** *অসি মুন্না পারগা মখাগী ৱাহংশিংগী (ৱাহং 129 – 135) চান্নবা পাউখুম পীয়ু ।*

তাইবং শেম্বগী আদর্শ পুন্নমক্কী মরুদা নুপী হায়বসি তাইবং মপুগী অথোইবা খুৎশেম্নি । অকুপ্পা মীৎয়েংনা য়েংবদা উবা ফংই মদুদি তাইবংপানববু চেৎনা পুল্লিবসি নুপী হায়বী কাংলুপ অসিতনা ঙল্লিবনি । প্রকৃতি বিশ্বজগৎকী লীপুন্নি, নুপীগী মিংসু প্রকৃতিনি । তাইবং শেম্বগী শক্তি য়াওনা পোক্লবী মপোক্নি, মরম সিনা জগৎনা নুপীবু মমা ওইনা য়েংনৈ । অৱাবা পুন্নমকপু কোকথোং য়াবা ঙম্বসি মমা নত্তনা কনা লৈরি । চাউনবা য়োকপা-থাকপগী থবক পুন্নমক ইমানা তৌরিবনি। অশৈবশিংনা নুপীবু শুমহৎ-লাংগী ফানয়াইগুম শৈথাবা উই, লৈরাংগা চাংদম্নদুনা মহাক্কী অথোৎপতবু য়েংদুনা পেন্নফম ওইবদি মতীক চাদে । লৈরাংদসু তাইবংময়োল চোংনবা মরু য়াউরিবনি হায়না শীংথানবনা অথোইবা পান্দম ওইগনি । সংসার-পুন্সিদা নুপীগী তৌফম থোকপা মথৌগা

লোয়ননা হকচাংগী ফকজবসু চাংদম্নরবদি, মদুনা হেন্না মতীক চাফম থোকই । নুপীবু কুমারীগী শকওংদা পার্ব্বতী, ষবতী ওইনা ঐশ্বর্য্যময়ী, মমা ওইনা জগদম্বা, অহল ওইনা জগৎপু ঙাকপিবা অমসুং হনুবী ওইনা জগদ্ধাত্রীমকনি হায়বা হাই । অৱাবগী মৈরীলক্তা, অৱাৎপগী মরক্তা, থম্মোয় শোক্লা ৱারবা মতমদা, মীওইবগী মখল পুম্নমক্কী লৈতাদবনা কোয়শিল্লবা মতমদা, নুপীতনা পীবা ঙম্মী, শান্তি । অসুম্না ভারতকী মুনি ঋষি কয়ানা নুপীগী গুণ, শক্তি অমসুং আদর্শবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎতুনা শক্ল-শোন্নরম্মী । তৌবমক্তি মৈহৌরোনগী চনুশিংদা লৈরল্লিবা গুণ অমসুং আদর্শশিং অদুমক্কী মপান্না শক্ল-শোন্নরল্লিবনি । অদুবু মীওইবগী সভ্যতা অমসুং সমাজ হায়বসি যুগ নাইদনা সভ্যতা অমসুং সমাজনা ওনবগা ঈরোইননা ওল্লি । মীওইবগী ৱাখল, পুক্নিং লমচৎ, কায়দা, মীৎয়েং হায়রিবশিং অসিগী প্রমাণ মীওইবগী ইতিহাসতা তত্তনা ফংলি । মুসলমানশিংগী সমাজ মতম অমদা চৎনরম্মী পর্দ্দাগী চৎনবী ঙসিদি মদু অচেৎপা নিয়ম্না কন্না পুন্দ্রে ।

**129.** নুপী হায়বসি তাইবং মপুগী অথোইবা হায়রিবগী মরমদি –

(1) নুপীনা হোৎনবা হেল্লি ।

(2) নুপীনা আদর্শ পুম্বা হেল্লি ।

(3) নুপীনা অৱাবা খাঙবা হেল্লি ।

(4) নুপীনা কৎথোকপা হেল্লি ।

**130.** তাইবংপানবু চেৎনা পুনবা ঙমলিবসি –

(1) নুপাননি ।

(2) অঙাংননি ।

(3) নুপীননি ।

(4) ঈশ্বরননি ।

**131.** অশৈবশিংনা নুপীবু শৈথাবদা মতিক চাদে হায়না হায়রিবসি –

(1) অথোৎ অমেং ওইনা থাবননি ।

(2) শুমহৎয়াই অমদি লৈরাং ওইনা থাবননি ।

(3) অখাঙ কনবী ওইনা থাবননি ।

(4) অপাম নুংশি ওইনা থাবননি ।

**132.** নুপীবু মমা অমা ওইনা উগদৌরিবসি –

(1) ষাবতীনি ।

(2) জগদম্বানি ।

(3) ঐশ্বর্য্যময়ীনি ।

(4) পার্ব্বতীনি ।

**133.** নুপীগী গুন শক্তি অমদি আদর্শবু শক্ল-শোন্নরল্লিবসি মৈহৌরোলগী চনুশিংদা লৈরল্লিবা

(1) গুণ অমদি আদর্শননি ।

(2) আদর্শ অমদি খাঙবা কনবননি ।

(3) আদর্শ অমদি হোৎনবননি ।

(4) ভক্তি অমদি আদর্শননি ।

**134.** মীওইবগী ৰাখল পুন্নমক্কী লৈতাদবনা কোয়শিল্লক্লবা মতমদা নুপীনা পীবা ঙম্বদি –

(1) হরাওবনি ।

(2) নুংঙাইবনি ।

(3) শান্তিনি ।

(4) অপেনবনি ।

**135.** মীওইবগী সভ্যতা অমসুং সমাজ হোংবদা ইরোইননা চৎলিবা অমদি –

(1) সভ্যতা অমসুং সাইন্সনি ।

(2) সভ্যতা অমসুং রাজনিতিনি ।

(3) সভ্যতা অমসুং সমাজনি ।

(4) সভ্যতা অমসুং কলচরনি ।

***তৌগদবা মওং তাকপা :*** *মখাগীশিংদগী খ্বাইদগী চান্নবা খল্লগা পাউখুম পীয়ু (136 – 150)*

**136.** পাবদা ৰাহন্থোক খংনা পাবগী পুক্লিং চিংশিনবসি –

(1) মখাদগী হৌবা এপ্রোচনি ।

(2) লোন পুম্না লৌবগী এপ্রোচনি ।

(3) স্ত্রকচরেল এপ্রোচনি ।

(4) কম্ম্যুনিকেতিব এপ্রোচনি ।

**137.** লোনগী মতাংদা খনবা অমসুং লোনগী মতাংদা ঙাংবগী মঙমসি –

(1) ফজনা ঙাংবা মীনি ।

(2) পাবা ইবা হৈরক্কদবগী মওংনি ।

(3) মেতালিঙ্গ্যুইস্তিক্কী হৈশিংবনি ।

(4) ফোনোলোজিকেল এৱার্নেসনি ।

**138.** মমা অমনা ক্লাস তুগী ওঝা অমদা মহাক্কী মচানা করিগুম্বা মতমদা অতোপ্পা মীশিংনা ঙাংখিদ্রিবা লোনসি মহাক্কী মচানা ঙাংই হায় । মসি করম্না তৌরিবনো হংই । মখাগীশিংসিদগী করম্বনা খ্বাইদগী চান্নবা পাউখুম্নো ?

(1) মীওইবগী ব্রেন অসি লোন তম্বগী মচাক পোকপদগী য়াওরক্লবনি ।

(2) ঐখোয়না হৰ্জিন-হৰ্জিন তৌরবা মতমদা অঙাংনা লোন তম্মী ।

(3) কন্সত্রক্তিভিস্টকী এপ্রোচকী মতুংইন্না অঙাংশিংনা লোন অনৌবা পুথোকপা ঙম্মী ।

(4) অঙাংশিংনা অহলশিংগী মতৌ তল্লগতা লোন তম্মী ।

**139.** ঙন্না ইবা-পাবা হৈনবগী টেক্নিকতা অহল অমগা অঙাং অমগা লাইরিক্তা য়েংমিন্নরগা অহন্দুনা ৰাহং হংদুনা ৰারি শান্নবা পুক্লিং থৌগৎপী অদুগা মখা তানা শক্তম লাংদুনা অঙাংদুনা অহন্দুদা ৰাহং হংলিবসি –

(1) পামিন্নবনি ।

(2) ৰারি-ৰাতাই শারগা পাবনি ।

(3) ৰারি লীবনি ।

(4) মোদেল রীদিং ।

**140.** ওঝা অমনা মহৈরোইশিংগী তাবগী স্কিল লাকহনবসি –

(1) অতৈ লোনগী লোইনবা স্কিলশিং য়াওহন্দনা তাবগী স্কিলদদা পুক্নিং চিংশিনবনি ।

(2) মহৈরোইশিংগী তানবগী খুদোংচাবা ময়াম ফংহনবা অমসুং তাবগী এক্তিভিতীশিং তৌহনগদবনি ।

(3) মহৈরোইশিংদু মখোয়না তারিবশিংদু তাবদমক তৌহনগদবনি ।

(4) ক্লাসরুম মনুংদা অমদি মপান্দা তৎতনা ঙাংবিবনি ।

**141.** এসরসন (A) : লোনগী অচুম্বসি প্রাইমারি থাক্তা খ্বাইদগী মরু ওই ।

রিজন (R) : গ্রামারসি প্রাইমারি করিক্যুলমগী য়াওদবা য়াবা শরুক্নি ।

মখায়দা পীরিবশিংসিদগী অচুম্বা পাউখুম করম্বনো ?

(1) (A) সু (R) সু চুম্মী অদুগা (R) অসিনা (A) গী অচুম্বা পাউখুম নত্তে ।

(2) (A) অসি চুম্মী অদুগা (R) অসি লাল্লি ।

(3) (A) অসি লাল্লি অদুগা (R) অসি চুম্মী ।

(4) (A) সু (R) সু চুম্মী অদুগা (R) অসিনা (A) গী অচুম্বা পাউখুম্নি ।

**142.** লোনগী মহৌশাগী ওইবদা থাজবা অমসুং থিওরিগী ওইবা ফিবম, লোন তম্বগী মওং হায়রিবা অনিমকগি তম্বীবদা শিজিন্নবসি -

(1) মচাকনি ।

(2) এপ্রোচনি ।

(3) টেক্নিকনি ।

(4) সিলেবলসনি ।

**143.** ফোর্মেতিভ ইভাল্যুএসন হায়বসি –

(1) মরি লৈনবা চৎথরক্লিবশিং অমসুং হেনগৎলক্লিবশিংনি ।

(2) তাংকক অমগী মমাংদা পাংথোকপনি ।

(3) অহোংবা লৈতে ।

(4) তম্বা অমসুং তম্বীবদা করি তৌরিবগে য়েংবনি ।

**144.** নৌরিবা মহৈরোইশিংগী পারা শেম্বদা ওঝানা তোতেল ফিজিকেল রেস্পোন্স (TPR) মেথদতা পুক্নিং থম্মী । মখাগীশিংসিদগী তোতেল ফিজিকেল রেস্পোন্স য়াওনবা ওঝানা করম্বা শিজিন্নগদগে ?

(1) মখোয়-মখোয়গী ফমফমদা ফম্লগা অমদি জুরা ওইনা নৎত্রগা গ্রুপ ওইনা তৌবা য়াবা এক্তিভিতিশিং পীগদবনি ।

(2) ক্লাসতা তাবগী এক্তিভিতীশিং হাপচিনগনি ।

(3) এক্তিভিতিশিং নাথেদুনা থম্লগা ৱাহং হংদুনা পুক্নিং থৌগৎলগা অঙাংশিংদু খুমহনগদবনি ।

(4) হকচাংগী লেং ওৎপগী শরুক তাকপীবদা য়াওহনগদবনি ।

**145.** করম্বা গ্রামারগী এপ্রোচনা লোন তম্বগি গ্রামরগী পথাপ তম্বনি হায়বগে ?

(1) ইন্দক্তিভ

(2) কম্যুনিকেতিভ

(3) গ্রামার ত্রান্সলেসন

(4) দিদক্তিভ

**146.** ওঝা অমনা ক্লাস V কী মহৈরোইশিংদা ইবগী থবক অমা পী । মখাগীশিংসিদগী করম্বদা পুক্নিং থমগদগে ?

(1) মচাক্কী ফজনা ঙাংবদনি ।

(2) ফজনা ঙাংবা অমসুং অচুম্বা অনিমক্তা পুক্নিং থমগনি ।

(3) মহৈরোইদুগী খুৎইদনি ।

(4) মচাক্কী অচুম্বদনি ।

**147.** তোপ দাউন হায়বসি পুল্লপকী ওইনা ৱাহন্থোক খংবনি । বোতম অপ হায়বসি করিনো ?

(1) পাবা হৈত্রিঙৈদা পুক্নিং থম্বনি ।

(2) টেক্সকী ৱাহৈশিং অমসুং ফ্রেজশিংদা পুক্নিং থম্বনি ।

(3) অচেম্বা ৱাহং হংবদা পুক্নিং থম্বনি ।

(4) টেক্সকী মচংদা অমসুং পুক্নিংগী ইথিলগী ৱাখলনি ।

**148.** লোনগী ওঝাগী অহানবা থৌদাংসি মখাগীশিংসিদগী করম্বনো ?

(1) তম্বীবগী চান্নবা মচাক খন্দোকপনি ।

(2) মহৈরোইশিং ক্লাসশিংদা গ্রুপ শেমদোকপনি ।

(3) মহৈরোইশিংদা তৌগদবা পীবনি ।

(4) মহৈরোইগী ঙাংনবগী মচাকশিং খনদোকপনি ।

**149.** নৌরিবা অঙাং অমনা লাইরিক অমা পাইখৎলি য়ুংনা পাই – অদুগা লমাইশিংদু ফাকতোকই ।

মসিদা তৌরিবসি –

(1) তম্লক্লবা করিক্নু লমনি ।

(2) তম্লক্লবা মচাকশিংনি ।

(3) খুদক্কী ওইবা স্কিল লাক্লবনি ।

(4) ইবা-পাবা লাক্লবনি ।

**150.** এসরসন (A) : লোন তম্বশিংনা মশাগী পোকপদগী য়াওরকপা মতিংনা লোন হৈ অদুগা মখোয়গী অকোইবদগী কান্নবা ফংদে ।

রিজন (R) : মহৈরোইদা মপুং ওইনা ক্লাসরুমগী ফিবন্না লোন খংবদা চাওনা কান্নবা পী ।

মখায়দা পীরিবশিংসিদগী অচুম্বা পাউখুম করম্বনো ?

(1) (A) অমসুং (R) অনিমক চুম্মী অদুগা (R) অসিনা (A) গী অচুম্বা তাক্তে ।

(2) (A) অসি চুম্মী অদুগা (R) অসি লাল্লি ।

(3) (A) অসি লাল্লি অদুগা (R) অসি চুম্মী ।

(4) (A) অমসুং (R) অনিমক চুম্মী অদুগা (R) অসিনা (A) গী অচুম্বা তাকপনি ।

## SPACE FOR ROUGH WORK

# SPACE FOR ROUGH WORK

***মখাদা পীরিবা নীতি-নীয়মশিং (instructions) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ :***

1. হংলিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মীবগী মওং অদু টেস্ট বুকলেটতা শুগাইনা তাক্লবনি । টেস্ট বুকলেট্পু পাউখুম পিদ্রিঙৈদা মমুৎ শেংনা পাগদবনি ।
2. OMR অন্সর শীট কী অনীশুবা নাকন্দা ৱাহং খুদিংমক্কী পীরিবা কলম (column) মরিদুগী মনুংদা শুপ্নগী অচুম্বনি খল্লবা মফম অদুখক্তদা ব্লু নত্রগা **ব্লেক বোল পোইন্ট পেন্না** ময়েক শেংনা মার্ক (mark) তৌগদবনি । অতোপ্পা মফম অমদা অনীশুনা মার্ক তৌবা য়াদে ।
3. কেন্দিদেট শিংনা অন্সর শীট তু থুপচিনবা, থেকচিনবন চিংবগী মওং অমত্তা তৌবা য়াদে । অন্সর শীট তা রোল নম্বর ইননবগীদমক্তা থমলিবা মফম অদুখক্তদা নশাগী রোল নম্বর ইগদবনি । অতোপ্পা মফম অমত্তদা ইশিনবা, য়েকশিনবা তৌবা য়াদে ।
4. টেষ্ট বুকলেট (কোইসন পেপর) অমসুং অন্সর শীট অদু য়াম্না চেকশিনগদবনি, করিগুম্বা মরম অমত্তদসু (শুপ্নগী টেষ্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীট কী নম্বর মান্নরমদবদগী শিন্দোকপা নত্তনা) অনীদু শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবা য়ারোই ।
5. কেন্দিদেট শিংনা টেষ্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীট কী code অমসুং নম্বর অদু Attendance Sheet তা ময়েক শেংনা চুম্না ইগদবনি ।
6. OMR অন্সর শীটতা য়াওরিবা কোডেদ ইনফোর্মেশন অদু মেশিন অমনা পাগনি । মরম অদুনা ইনফোর্মেশন অমত্তা ৱাওনা মেনগদবনি । অদুগা পীরিবা ইনফোর্মেশন অদু এডমিত্ কার্ড-তা য়াওবা ইনফোর্মেশনদগী থেৎনরোইদবনি ।
7. কেন্দিদেট শিংনা পরিক্ষা হোল/কা দা মশাগী Admit Card নত্তনা করিগুম্বা মখলগী লাইরিক, অনম্বা চে-চাং, পেজর, মোবাইল ফোন, ইলেকত্রোনিক্স ডিভাইস নচিংবা পোৎ অমত্তা পুশিনবা য়াদে ।
8. মোবাইল ফোনশিং, ৱাইরলেস ওইবা কম্যুনিকেসন গী খুৎলাইশিং (স্বীট্চ ওফ কী ফিভমদা লৈরবসু) অমসুং অতোপ্পা অথিংবা পোৎ-চৈ শিং পরিক্ষা হোল/কা শিংদা পুরকলোইদবনি । তৌগদবা তাকপা অসিবু ঙাকপা ঙমদ্রবদি পরিক্ষাদা অনফেয়র মীন্স শিজিন্নবনি হায়না লৌগনি অদুগা পরিক্ষা থারিবা মীওই অদুগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎকনি, পরীক্ষা থাহনদবা য়াওনা ।
9. ইনভিজিলেটর না হংলপ্লগা কেন্দিদেট শিংনা মশা-মশাগী Admit Card পুথোক্কদবনি ।
10. কেন্দিদেট অমত্তনা সেন্টরগী সুপরিনটেন্দেন্ট নত্রগা ইনভিজিলেটরগী অয়াবা য়াওদন মশাগী ফমফম থাদোকপা য়াদে ।
11. কেন্দিদেট শিংনা মশাগী অন্সর শীট তু ইনভিজিলেটর দা পীরমদনা অমদি এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হন্না sign তৌরমদনা পরিক্ষা হোল/কা থাদোকপা য়ারোই । মশাগী অন্সর শীট তু পীরম্লবসু এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হন্না sign তৌরমদ্রবা কেন্দিদেট শিংদি unfair means কী case ওইনা লৌগনি ।
12. পরিক্ষা হোল মনুংদা ইলেক্ত্রোনিক/মেন্যুল কালকুলেটর শীজিন্নবা য়াদে ।
13. কেন্দিদেট শিংনা পরিক্ষা হোল/কা মনুংদা পরিক্ষা থারিঙৈদা এগজামিনিং বোডিগী Rules and Regulations ঙাক্লা চৎকদবনি । Unfair means নচিংবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকলকপদা এগজামিনিং বোডিগী Rules and Regulations কী মতুংইন্না ৱারেপ লৌগনি ।
14. টেষ্ট বুকলেট নত্রগা অন্সর শীট কী করিগুম্বা মফম অমত্তদা শেগায়-তুগায়বনচিংবা তৌবা য়ারোই ।
15. পরিক্ষা হেক লোইবগা কেন্দিদেট শিংনা মাগী-মাগী অন্সর শীট তু পরিক্ষা হোল/কা দুদা লৈরিবা ইনভিজিলেটর দুদা খুৎশিন্নরম্লগা মশা-মশাগী টেষ্ট বুকলেট তু পুরগা থোকখিগদবনি ।

**READ THE FOLLOWING INSTRUCTIONS CAREFULLY :**

1. The manner in which the different questions are to be answered has been explained in the Test Booklet which you should read carefully before actually answering the questions.
2. Out of the four alternatives for each question, only one circle for the correct answer is to be darkened completely with **Blue/Black Ball Point Pen** on **Side-2** of the OMR Answer Sheet. The answer once marked is not liable to be changed.
3. The candidates should ensure that the Answer Sheet is not folded. Do not make any stray marks on the Answer Sheet. Do not write your Roll No. anywhere else except in the specified space in the Answer Sheet.
4. Handle the Test Booklet and Answer Sheet with care, as under no circumstances (except for discrepancy in Test Booklet Code or Number and Answer Sheet Code or Number), another set will be provided.
5. The candidates will write the correct Test Booklet Code and Number as given in the Test Booklet/Answer Sheet in the Attendance Sheet.
6. A machine will read the coded information in the OMR Answer Sheet. Hence, no information should be left incomplete and it should not be different from the information given in the Admit Card.
7. Candidates are not allowed to carry any textual material, printed or written, bits of papers, pager, mobile phone, electronic device or any other material except the Admit Card inside the Examination Hall/Room.
8. Mobile phones, wireless communication devices (even in switched off mode) and the other banned items should not be brought in the examination halls/rooms. Failing to comply with this instruction, will be considered as using unfair means in the examination and action will be taken against the candidate including cancellation of examination.
9. Each candidate must show on demand his / her Admit Card to the Invigilator.
10. No candidate, without special permission of the Centre Superintendent or Invigilator, should leave his / her seat.
11. The candidates should not leave the Examination Hall/Room without handing over their Answer Sheet to the Invigilator on duty and sign the Attendance Sheet twice. Cases where candidate has not signed the Attendance Sheet second time will be deemed not to have handed over the Answer Sheet and dealt with as an unfair means case. **The candidates are also required to put their left-hand THUMB impression in the space provided in the Attendance Sheet.**
12. Use of Electronic/Manual Calculator is prohibited.
13. The candidates are governed by all Rules and Regulations of the Examining Body with regard to their conduct in the Examination Hall/Room. All cases of unfair means will be dealt with as per Rules and Regulations of the Examining Body.
14. No part of the Test Booklet and Answer Sheet shall be detached under any circumstances.
15. **On completion of the test, the candidate must hand over the Answer Sheet to the Invigilator in the Room/Hall.** ***The candidates are allowed to take away this Test Booklet with them.***

**निम्नलिखित निर्देशों को ध्यान से पढ़ें :**

1. जिस प्रकार से विभिन्न प्रश्नों के उत्तर दिए जाने हैं उसका वर्णन परीक्षा पुस्तिका में किया गया है, जिसे आप प्रश्नों का उत्तर देने से पहले ध्यान से पढ़ लें ।
2. प्रत्येक प्रश्न के लिए दिए गए चार विकल्पों में से सही उत्तर के लिए OMR उत्तर पत्र के **पृष्ठ-2** पर केवल एक वृत्त को ही पूरी तरह **नीले/काले बॉल पॉइन्ट पेन** से भरें । एक बार उत्तर अंकित करने के बाद उसे बदला नहीं जा सकता है ।
3. परीक्षार्थी सुनिश्चित करें कि इस उत्तर पत्र को मोड़ा न जाए एवं उस पर कोई अन्य निशान न लगाएँ । परीक्षार्थी अपना अनुक्रमांक उत्तर पत्र में निर्धारित स्थान के अतिरिक्त अन्यत्र न लिखें ।
4. परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर पत्र का ध्यानपूर्वक प्रयोग करें, क्योंकि किसी भी परिस्थिति में (केवल परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर पत्र के कोड या संख्या में भिन्नता की स्थिति को छोड़कर) दूसरी परीक्षा पुस्तिका उपलब्ध नहीं करायी जाएगी ।
5. परीक्षा पुस्तिका/उत्तर पत्र में दिए गए परीक्षा पुस्तिका कोड व संख्या को परीक्षार्थी सही तरीके से उपस्थिति-पत्र में लिखें ।
6. OMR उत्तर पत्र में कोडित जानकारी को एक मशीन पढ़ेगी । इसलिए कोई भी सूचना अधूरी न छोड़ें और यह प्रवेश पत्र में दी गई सूचना से भिन्न नहीं होनी चाहिए ।
7. परीक्षार्थी द्वारा परीक्षा हॉल/कक्ष में प्रवेश पत्र के सिवाय किसी प्रकार की पाठ्य सामग्री, मुद्रित या हस्तलिखित, काग़ज़ की पर्चियाँ, पेजर, मोबाइल फोन, इलेक्ट्रॉनिक उपकरण या किसी अन्य प्रकार की सामग्री को ले जाने या उपयोग करने की अनुमति नहीं है ।
8. मोबाइल फोन, बेतार संचार युक्तियाँ (स्विच ऑफ अवस्था में भी) और अन्य प्रतिबंधित वस्तुएँ परीक्षा हॉल/कक्ष में नहीं लाई जानी चाहिए । इस सूचना का पालन न होने पर इसे परीक्षा में अनुचित साधनों का प्रयोग माना जाएगा और परीक्षार्थी के विरुद्ध कार्यवाही की जाएगी, परीक्षा रद्द करने सहित ।
9. पूछे जाने पर प्रत्येक परीक्षार्थी, निरीक्षक को अपना प्रवेश-पत्र दिखाएँ ।
10. केन्द्र अधीक्षक या निरीक्षक की विशेष अनुमति के बिना कोई परीक्षार्थी अपना स्थान न छोड़ें ।
11. कार्यरत निरीक्षक को अपना उत्तर पत्र दिए बिना एवं उपस्थिति-पत्र पर दुबारा हस्ताक्षर किए बिना परीक्षार्थी परीक्षा हॉल/कक्ष नहीं छोड़ेंगे । यदि किसी परीक्षार्थी ने दूसरी बार उपस्थिति-पत्र पर हस्ताक्षर नहीं किए तो यह माना जाएगा कि उसने उत्तर पत्र नहीं लौटाया है और यह अनुचित साधन का मामला माना जाएगा । **परीक्षार्थी अपने बाएँ हाथ के अँगूठे का निशान उपस्थिति-पत्र में दिए गए स्थान पर अवश्य लगाएँ ।**
12. इलेक्ट्रॉनिक/हस्तचालित परिकलक का उपयोग वर्जित है ।
13. परीक्षा-हॉल/कक्ष में आचरण के लिए परीक्षार्थी परीक्षण संस्था के सभी नियमों एवं विनियमों द्वारा नियमित हैं । अनुचित साधनों के सभी मामलों का फैसला परीक्षण संस्था के नियमों एवं विनियमों के अनुसार होगा ।
14. किसी भी परिस्थिति में परीक्षा पुस्तिका और उत्तर पत्र का कोई भाग अलग न करें ।
15. **परीक्षा सम्पन्न होने पर, परीक्षार्थी कक्ष/हॉल छोड़ने से पूर्व उत्तर पत्र निरीक्षक को अवश्य सौंप दें ।** ***परीक्षार्थी अपने साथ इस परीक्षा पुस्तिका को ले जा सकते हैं ।***